HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসনা শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা ৪৩শুবা অর্কাইবস ৱীক কম রেকোর্দ এগজিবিশনগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা


লৌশিং পুক্কে : এঞ্জাইটি য়াম্না লৈরবদি চাবা থকপদা ... লামায় ২
লামায় ৪ অহানবা মণিপুরী ৱারীমচা
নুংঙাইরিবরা হংনীংলকপনিদা! লামায় ৫
লামায় ৬ মীতৈ মশেল পুনশিন্নবগী পান্দমদা চহী তরেৎ খুন্তাকপগী...
কুমজা ২০২৫-২৬ কী বদজেটতা চহীদা লুপা লাক্ষ ১৫ ... লামায় ৯
লামায় ১২ তেকচম পোলো ক্লব (বি) অমসুং নম্বুল মপাল পোলো...


মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা খান্নব ইবোতোন রিজনেল এন্দ ত্রেদিশনেল আর্ট নিকেতননা শীনবা টাল ফাংনবগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টরনা চুখৎপা



Vol. 48, Issue No. 264 | থাংজ, পোইনুগী ২৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, December 28, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### মণিপুরগী ফীভম ফগৎলব্রা :

# শান্তিখোংবাল, থম্নাপোকপী ১সুং সনাশাবীগী লানফমদা কম্মান্দো ১, খুল ঙাকপা ১ শোক্লে









(১) পুলিস চঙশিল্লকপদা থিংখিবা আর্মিগী গাড়ী খুঞ্জাশিংনা ইন্থোকপা (২) পুলিসনা বুল্লেট প্রুফ কেস্পর শীজিন্নদুনা খুঞ্জাশিংবু শাফগদবা মফমদা পুথোকপা (৩) শোক্লবা কম্মান্দো পর্সনেল (৪) কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদগী থৱায় হিংনবা চেন্নখ্রবা থম্নাপোকপী ময়ায় লৈকায়গী যুম অমা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মপান্দগী পুশিল্লকপা মীওইশিংগা ফাওবা খুৎশম্নদুনা মীতৈদা অতম্লনা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসি হৌজিক থা ২০ মপূং ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা খাম্বগী মহুত্তা মণিপুরগী ফীভম ফগৎলক্লে অমসুং ঈং-তপ্পা হঞ্জিনবা হৌরে হায়বা য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্লা থা ৩গী মনুংদা লানগী ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়খিবদা নত্তনা থা অসিগী ২৩দা অসামগী দরগাওনদা লৈবা লচিৎ বরফুকন পুলিস একাদেমিদা পাঙথোকখিবা পাসিং আউট পেরেদতা ফাওবা মণিপুরগী ফীভম ফগৎলক্লে হায়খিবদা ঙাইরিঙৈদো শান্তিখোংবাল, থম্নাপোকপী অমসুং সনাশাবীগী লানফমদা পুলিসকী স্পেশল কম্মান্দো পর্সনেল অমগা খুল ঙাকপা অমগা নোংমৈনা পান্দুনা শোকপদগী লায়কন্নখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙাইহাক লৈতনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলক্লে অমসুং ঈং-তপ্পা হঞ্জিনবা হৌরে হায়দুনা চিনফা পুবা ৱাহৈশিং মীয়ামদা লেপ্তুনা ফোঙদোক্লিঙৈগী চৈরক্তা কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা লান চথরক্তুনা অশোক অপন য়াওরকপদগী লানফম ওইরিবা মফমশিং অসিদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা মণিপুরগী ফীভম ফগৎলব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

থা অসিগী ২৫দা পাঙথোকখিবা খৃষ্টমাস কুম্মৈগী মাঙওইননা থা অসিগী ২৪দগী হৌরদুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোনবা মীতৈ খুলশিংদা লেপ্তুনা লান্দারকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু শান্তিখোংবাল, থম্নাপোকপী অমসুং সনাশাবীগী মফম খরদা অকনবা এটেক চথরকপদগী লানফমশিং ওইখ্রে।

হেন্না কনশিনবা ঙসিগী লান অসি অয়ূক পুং ১০.৪৭ লোম তারকপদগী হৌরকখিবনি। কুকি টেররিষ্টশিংনা খুলশিং অসিগা নক্লনা লৈবা চীংগী শরুকশিং অমসুং য়াইঙংপোকপী অমদি থম্নাপোকপীগী মনীংদা লৈবা মীতৈগী উয়োক চীংদা শাবা মখোয়গী বঙ্করশিংদগী নোংমৈ অমদি বোমশিং কাপশিনবা হৌরকখিবনি।

থৌদোক অসি থোরকপদগী মরিশুবা মহার রেজিমেন্ট, বি এস এফ য়াওনা ষ্টেট ফোর্সকী কম্মান্দোশিং অমসুং খুল ঙাকপশিংনা মায়োক্নদুনা লান্থেংনখি।

থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লুবা পাউচে অসিগী পাউমীদা থম্নাপোকপীদগী মশাগী চহী ৭৫ রোম শুরবা অহল অমনা হায়, ঙসিগী লানফম অসি অহানবা ওইনা সনাশাবীগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা সাইবোল লোমদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী বঙ্করদগী নোংমৈ অমদি বোমশিং কাপশিনবা হৌরকখিবনি।

মখোয়না অকনবা লান চথরকপদগী সেন্ত্রেল, ষ্টেট ফোর্স অমসুং খুল ঙাকপশিংনসু খূৎ হনখিবনি। কুকি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### ডা. মনমোহন লৈখিদবদা লৈবাক অসিনা নুমিৎ ৭নি অৱাবা ফোঙদোক্কনি

## ঙসি অয়ূক মপূং ফাবা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং ন্যু দেল্লীগী এইমসতা লৈখিদ্রবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অনীরক ওইরমখিবা কোংগ্রেস লুচিংবা ডা. মনমোহন সিংহনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লৈবাক অসিনা ঙরাংদগী হৌরদুনা মথং থাগী ১ ফাওবা নুমিৎ তরেৎনি চূপ্না অৱাবা ফোঙদোক্কনি অমসুং লৈখিদ্রবগী মফমদা মপূং ফাবা লৈবাক্কী থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎলবা মতুং হয়েং অয়ূক পুং ১১.৪৫ তারকপদা ন্যু দেল্লীগী নিগমবোধ ঘাটতা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়রি।



মণিপুরগী সী এল পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা লৈখিদ্রবগী মফমদা লৈ-শু কৎপা

ঙরাং মহাক হেক লৈখিদবগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুম্নমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিং অমসুং গভর্ণর অমদি লেফটিনেন্ট গভর্ণরশিংগী সেক্রেটরিশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## অশেংবা ঙাঙবা য়াদ্রবদি ঙাঙলরোই অদুবু মায়কৈ মরিদা চৎপা য়াদ্রিবা মীয়ামগী অৱাবদি কোকহল্লু : সুজতা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস):** ন্যু দেল্লীদা থা অসিগী ১২দা পাঙথোকপা নুপীলানগী নীংশিং থৌরম অমসুং মণিপুরদা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রিবা লান অসিগী মায়োক্তা চথগদবা খোঙজংশিংদা শরুক য়ারুনবগীদমক মফম অদুদা চৎখিবী ইমাগী মৈরাগী কনভিনর থোকচোম সুজতাবু মহাক্না চৎমিন্নখিবশিং য়াওনা দেল্লী পুলিসনা অথিংবা থমজিন্দুনা হাউস এরেষ্ট তৌরগা থম্লকখ্রবা মতুং ঙসি দেল্লীদগী হল্লক্তুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

### দেল্লীদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লকখিবী ‘ইমাগী মৈরা’ গী থোকচোম সুজতা হল্লকপদা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে



মহাক্না এয়রপোর্টতা থুংলবগা পাউমীশিংদা হায়, ঐহাক দিসেম্বর ৯দা দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমগীদমক চৎপনি অদুবু মাঙখ্রিবা কমলবাবুগী লোয়নবী য়াওনা গভর্ণর উন্নবা হোৎনরম্বদা ঈরাং থোরকপদগী নুমিৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ঈরিল তুরেল : বৈতরনি তুরেল

## থোং তৎপদা নুপী ১ লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই অঙোম লৈকায় অমদি মোইরাং কম্পু শাজেপ অনী ফাওনরিবা বেল্লি ব্রিদজ তেকথরক্তুনা থোং লাল্লম্বী নুপী অমা থোং অসিগী মখাদা চেল্লিবা ঈরিল তুরেলদা তাশিনবদগী লৈখিদবদা থোং মখাগী তুরেল মতেক অসি বৈতরনি তুরেল ওন্থোক্লব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

ঙসিগী থৌদোক অসি অয়ূক পুং ৭ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থোং লাল্লিঙৈদা খঙহৌদনা তেকথরকপদগী তুরেলদা তাশিন্দুনা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং পুখ্রম্বম ভৈগ্যবতি লৈমা (৫২) মপুরোইবা পি রঘু কৌই, খুরাই অঙোম লৈকায়দগীনি। মহাক কৈথেল কারুনবা থোং অসি লাল্লক্তুনা ময়ায় য়ৌশিল্লকপদা বেল্লি ব্রিদজ অসিবু পুরিবা য়োৎলি নাম্মা তৎলকপদগী থোং তেকথরক্তুনা তুরেলদা তাশিনখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিদা ট্যুশন চৎপী নুপীমচা অমসু য়াওখি অদুবু মহাক্তি থোংগী উবাক্তা য়ালহৌবদগী মীয়াম্না চেনশিন্নরক্তুনা কলহৌখি হায়রি। লৈখিদ্রবী ভৈগ্যবতি তুরেল খোংনুংদগী মীয়াম্না লৌখৎলগা রাজ মেদিসিটিদা পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখি। অদুবু ফীভম লুশিল্লকপদগী জেনিমসতা অমুক পুদুনা লায়কন্নরবা মতুংদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

## ডাক্তরগী থোঙ্গালদা বোম লৈরম্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা লম্ফেল পি এসনা কোল্লিবা চীংমৈরোং মনীং নেপালি বষ্টিদা লৈবা মশাগী চহী ৭০ রোম শুরল্লবা ময়াম্না ‘ডা. জি এস মোইরাংথেম’ হায়রগা খঙনবা গুলামচাৎ মোইরাংথেমগী থোঙ্গালদা শকখঙদবশিংনা পোলিথিন খাও অমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা হাপ্লগা থম্লম্লে হায়রি। মহাক হৌজিক কার্নিকোস মণিপুর কেন্সর ক্যের ইন্সটিট্যুটতা সী ঈ ও ওইনসু থবক পুরিবনি হায়রি।

বোম অসিগা লোয়ননা কে সী পি (পি দব্লিয়ু জি) লাষ্ট ৱার্নিং হায়না থাবা চে অমসু য়াওরমখি হায়রি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী লম্ফেল পুলিসকী টিম লাক্তুনা হেন্দ গ্রেনেদ অদু পোকখায়হন্দনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## টোটেল শটদাউনগী খোঙজং হৌখ্রে, কোকোমিগী ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট অমসুং ৱিমেন্স ৱিংনা শৌগৎখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪দা হৈরোক পি এসকী মনুং চনবা শলুংফমগী মফম অমদা থোকখিবা পুলিসকা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা লাইশ্রম প্রিয়াম এলিয়জ প্রেম কৌবা নুপামচা অমা লৈখিদবা অমসুং মীওই তরুক ফাজিনখিবগী মায়োক্তা শেমখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### খুল ঙাকপা হাৎলে ১সুং ফারে হায়বগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজং লেপত্রি

## ৱাংজিং : অফস্পা খুদক্তা লৌথোকউ



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪দা মণিপুর পুলিস অমসুং মসিগী কম্মান্দোগী কম্বাইন্দ টিম অমনা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা খুল ঙাকপনি হায়বা নহা অমা হাৎখিবা অদুগা মহাক্না লাকমিন্নবনি হায়বা মীওই ৬ ফাজিনখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ৱাংজিং মৈরা পায়বী অমদি কৈথেল পোৎফম ফম্বীশিংনা ৱাংজিং কৈথেলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মোংশাঙ্গৈ : অথুবদা লান লোইশিল্লু




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪গী অয়ুক্তা হৈরোক পি এসকী মনুং চনবা শলুংফমগী মফম অমদা ষ্টেট ফোর্সকী কম্বাইন্দ টিমগা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা খুল ঙাকপনি হায়বা নহা অমা লৈখিদবা অমসুং অতোপ্পা তরুক্লা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজংশিং চঙশিন্নরকপগী মখা তারকপদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদগী হৌরদুনা মোংশাঙ্গৈ বোরোইমখোঙদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## শুগুনুগী এম এল এগী ৱাফম কুপ্না থিজিন্দবগী মমি চাওনা তাই : বসন্তকুমার



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** টর্ম তরুকলক এম এল এ ওইনা কারল্লবা অমদি ঐখোয়নসু য়াম্না ইকাই খুম্নজরিবা শুগুনু এ সীগী এম এল এনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু থিজিনবা ৱাৎপগী মমি চাওনা তাই হায়না লো মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপড়াদা লৈবা মিনিষ্টর বসন্তকুমারগী ক্বার্টরদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না হায়, কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা মীওই অমনা মপূং ফানা নৈনবগী মহুৎতা শরুক খরা খক্তমক খনগৎলগা পর্সনেল ওইনা এটেক চথরকপা মানবা থৌওং অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। বি জে পি লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা কন্সটিট্যুশন খোঙ্গাওনবা লৈতে। থা অসিগী ২৪দা মহাক্না প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক্স মীদিয়াগী খূথাংদা ফোঙদোকখিবা অদু ওপোজিশন লুচিংবা অসিনা মপূং ফানা তাদবা মাল্লি। মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৭০ অসি কুমজা ১৯৫১দা এমেন্দমেন্ট তৌখ্রে হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লাখ ১০গী দিমান্দদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা থৌবাল পি এসকী মনুং চল্লিবা লৈশাংথেম বাসিখোং লৈরক্তা লৈবা য়েঙ্খোম ইঙোচাগী যুমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি লৈকায় অসিগী মীয়াম্না ৱাকৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ‘থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লক্তুনা মীনি সেক্রেটরিএটতা লৈরিঙৈদা চাদ-থক্তবনা চাক উমদ্রিবা ইচানুপাগী মবুক ফাওবা পীথকপা ঙম্লক্তবদা কপ্লগা খাঙখি’

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

টেলিফোন তৌনরগা হংনগদবসু ইলেক্ট্রিক ফাওবা মূখৎতুনা মখোল অমত্তা থোক্লদনা য়াম্না ৱানা লোৎপা তাঞ্জা ওইবনিনা পাউসু লৌফম লৈতবদগী য়াম্না ৱাখি। করি তৌগদবনো হায়বা খঙখিদে। নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তারকপা অদুৱাইদা লোৎমিন্নরিবা মীতৈশিংগী মরক্তগী অতোপ্পদা পাউ হংনরগা সিফাইনা ঐখোয়বু হোন্দোকপা লাক্লে হায়রকপদগী ঐখোয় হৌগৎনরগা প্রপ-প্রপ যূম অদুদগী থোকমিন্নরকখি। মেন রোদ য়ৌরকপদদি লম্বীদা থাওথিনা পুংলুপ লুপ্না হৈদোক্লম্বদগী চৎপদা তুগে তৌখি। য়াম্না ৱানা সিফাইগী লৈফম ফাওবা চৎখি। অদু ফাওবদা ঐখোয়বু কনবীনবা কনাসু লৈত্রবা তাঞ্জা অদুদা ঐখোয়বু লৌথোকপীনবা লাক্লিবা সিফাইশিং অদু উরবা ফাওবদা ঐখোয় কিদুনা চেনবগী ফীভমদা লৈখি। অদুম ওইনমক সিফাইশিং অদুনা ঐখোয়দা নীংথিজনা ঐখোয় লৌবা লাকপনি হায়বদগী মখোয়না পুরকপা গাড়ীদুদা ময়াম চেনশিন্নদুনা কাখৎনবা হোৎনখি। তাঞ্জা অদু ফাওবদা কুকি লমহেনবশিংনা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাক্লগা লাউশিল্লকখি অমসুং করেম-কথাইনরকখি। মখোয় লাকপদগী লম্বীদা থোক্লরকপা মীতৈশিং লম্বীদা হৈদোক্লম্বা থাওথিদা তুশিন্নবা য়াওখি।

তাঞ্জাদুদা ঐহাক্কী ইচেগী মনেম্বোক অদুদি শোন্দুনা লৈবদগী মহাক্কী মপুরোইবনা পোরগা পুথোরকখিবনি। সিফাইগী গাড়ীদা তোংনবা হোৎনরিঙৈদা মীয়াম অদুগী মরক্তা মফম খঙনদদুনা কোইথি থিন্নখি। কোন্নথংদা মচি অমদা তুশিন্দুনা লৈরম্বদগী মখূৎ শমদুনা ইনেগী মপুরোইবগা ইনেগা পূন্না সিফাই গাড়ী তম্না লাকপদা ইনেদু খঙহৌদনা ৱাম্থরকখি। সিফাইশিং অদুদা এম্বুলেন্স কৌবীয়ু হায়জখি। অদুবু ফনা কুইরবা ফাওবদা এম্বুলেন্স লাকখিদে। সিফাইশিংসু য়াম্লবা মীয়াম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়গী অনাবা অদুদা ওনশিল্লকপা ঙমখিদে। কোন্নথংদা এম্বুলেন্স অমা লাক্তুনা অনাবদু পুরগা চৎখি অদুগা ঐখোয়বুনা মিনি সেক্রেটরিএট ফাওবা সিফাইগী গাড়ী তোংদুনা লাকখি।

ঐখোয়না মফমদু য়ৌশিনবদদি ইনেদু মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ওইনা ফি অঙৌবা অমনা কুপশিন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি। ফীভম অদুদগী সিফাইগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংদা চঙদুনা লৈখিদ্রবা ইনেগী হকচাং অদু পুদুনা এম্বুলেন্সতা হাপ্লগা থোকখ্রগে হায়বদা ঈরাং য়াম্না কনবনা থোকপা য়ারোই হায়রকপদগী ইনেগী হকচাং অদু মোর্গতা থমজিনবীখি অদুগা ঐখোয়না মে ৮ ফাওবা মিনি সেক্রেটরিএটতা লৈরকখি।

মথংগী নুমিৎ মে ৯দা অঙাং মচা চেনবীশিং, অঙাং উনরগদবীশিং অমদি অশোন-অনাশিং পুথোরকপদা ঐহাকসু য়াওরক্তুনা খুমন লম্পাক য়ৌরকখি। ঐহাক্না শেৎলকখিবা ফিরোল অদুদি অঙাংগী দাইপরসু অহেনবা য়াওরক্তবনিনা শেৎলিবা ফনেক অদুনা অঙাংগী দাইপর ওইনা শীজিন্ননবা মচেৎ-মচেৎ শেগাইরগা শীজিন্নরকপদগী শেৎনীংঙাই লৈতদুনা ঐহাক্কী ইপুরোইবগা হেক পোকমিন্নবা ইনাওনুপাগী খোঙ্গ্রাও অহেনবা অমা য়াওরকপদু শেৎলগা খুমন লম্পাক য়ৌরকখিবনি।

নুমিৎ হুম্নিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মৈরা পায়বী ১ নোংমৈ মরূনা পানবদগী লায়কন্নখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা য়াইঙংপোকপী, সনাশাবী অমসুং থম্নাপোকপীদা মখা তানা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান দারকপদগী ঙসি নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা য়াইঙংপোকপী কৈথেলগী ওইল পম্প মনাক্তা মৈরা পায়বী অমা খোঙনা চৎলিঙৈদা কুকি টেররিষ্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূনা খোঙ অনীমক্তা পানবদগী শোক্তুনা য়াইঙংপোকপীগী পি ঐচ সীদা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

শোক্লবী মৈরা পায়বী অসিগী মমিং ঙাঙোম তেম্বী (৩৭) কৌই, লম্লাই পি এসকী মনুং চনবা সেক্তা ময়ায় লৈকায়দগীনি হায়রি।

**গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা**

## কে সী পি-তাইবংঙানবা গ্রুপনা অকনবা ৱাফম থম্লক্লি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি-তাইবংঙানবা গ্রুপ) গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি খোংনাংথাবা মীতৈনা থোরকপা চেরোল ১দা অরানবা মওংদা শেল খোমগৎলিবা রোষ্টো দি মারিয়া মন্টেশ্বরি স্কুলনা মশাগী অশোয়বা শেমদোক্তবদি কংলৈপাক্কী লৈমায়দা অমুক হন্না এদ্যুকেশন সেক্টরগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা তৌবা য়ারোই হায়রি। ...মখা লমায় ৮ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫